ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
HUEIYEN LANPAO

# ‘শেঞ্জা-থুমজা, ব্লেক মণিগী মায়োক্তা হেন্না কনবা থৌরাং লৌখৎনবা শেম-শারে’

পনাজি, নবেম্বর ১৩ (এজেন্সী):
শেঞ্জা-থুমজা অমসুং ব্লেক মণিগী মায়োক্তা হেন্না কনবা থৌরাং লৌখৎনবা শেম-শারে হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখ্রে।

গোৱাদা মোপা গ্রীন ফিল্ড এয়রপোর্ট শানবা অমসুং ইলেক্ট্রোনিক সিটি প্রোজেক্টকী উরেপ-উযুং তম্বগী থৌরমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, শেনয়েক অনী চৎনহনখিদবা থৌওং অদুনা অরোইবা নত্তে। ইন্দিয়াবু শেঞ্জা-থুমজা লৈতবা লৈবাক অমা ওইহন্নবগীদমক হেন্না কনবা থৌরাং লৌখৎনবা শেম-শারে। মীয়ামসু থৌরাং অসিদা মপুং ফানা মতেং পাংবীনবা হায়জরি।

চহী ৭০ হেন্না তানশিনখিবা য়াম্লবা শেনফম মাঙবগী ফীভম লাকপদা কনাগুম্বা খরদি মিপাইবা পোক্লে হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, গভর্ণমেন্টনা পায়খৎলিবা থৌরাং অসি মায় পাকহন্দনবা কনাগুম্বা খরনা লৌতুনবগী থৌওং চথরক্লে। অদুবু গভর্ণমেন্ট অসিনা শীংনবা পূম্নমক চপ চানা মায়োক্লবগা লোয়ননা শেঞ্জা-থুমজা অমদি ব্লেক মণিগী মথক্তা হেন্না কনবা থৌরাং কয়া পায়খৎলগনি।

মহাক্না হায়খি, কুমজা ২০১৪দা মীয়াম্না শেঞ্জা-থুমজা মুখৎনবগীদমক এন দি এবু মীখলদা মায় পাকহনখিবনি। মীয়ামগী অপাম্বা মতুং ইন্না ব্লেক মণি অমদি জালি নোটকী মায়োক্তা লৌখৎপা অহানবা খোঙথাং ওইনা লুপা ৫০০ অমদি লুপা ১০০০ চৎপী চৎনহনখিদবনি। কেবীনেটকী অহানবা মীফমদা ব্লেক মণিগী মতাংদা স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম শেমদুনা থবক থৌরম কয়া লৌখৎপা হৌখি। গভর্ণমেন্টনা পায়খৎলিবা থবক থৌরম খূদিংমক্তা মীয়ামসু শরুক য়াহনগনি।

মমাঙদা পানখিবা গভর্ণমেন্টশিংবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, লৈবাক অসিগী মীয়াম্না শেঞ্জা-থুমজা মুখৎনবগী মতাংদা খোল্লাউ কয়া লাউরকখ্রবসু হান্নগী গভর্ণমেন্ট অমত্তনা হীরমসিদা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎখিদে। হৌজিক পাল্লিবা গভর্ণমেন্ট অসিনা মীয়ামগী অপাম্বা ফংহন্নবা হোৎনরদুনা হেন্না কনবা খোঙথাং লৌখৎনবা শেম-শারে।

মীচম মীয়ামদা অৱাবা খরা খাঙমিন্ননবা আপিল তৌরদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, ৱারবসু ৱানা দিসেম্বর ৩০ ফাওবদং ঙাইমিন্নখিসি। মদুগী মতুং তারকপদা করিগুম্বা গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলিবা থৌরাং অসি শোয়রম্বা তারবদি লৈবাক মীয়াম্না পীরকপা চৈরাক খূদিংমক হরাও হরাওনা লৌগনি। লৈবাক মীয়ামগী অপাম্বা মতুং ইন্না দিসেম্বর ৩০গী মতুং তারকপদা শেঞ্জা-থুমজা লৈতবা ইন্দিয়া ওইহল্লগনি।

শেঞ্জাও পায়বা অমসুং অরানবা মওংদা শেল তানশিনখিবা মীওইশিংনা গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা খুদোংথিবা থৌদোক কয়া থোকহল্লকপা য়াই হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, শোক্লরিবা লাল অসি পূকচেল শেংবা অমসুং শেঞ্জা-থুমজা তৌবশিংগী মরক্তনি।

পনবা য়াবদি, নবেম্বর ৮দা ইথা থাজদবা মওংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা পীখিবা ৱারোল অমদা লুপা ৫০০ অমসুং লুপা ১০০০ চৎপী নোট মখা তানা চৎনদ্রে হায়না লাউথোকখিবনি। দিসেম্বর ৩০ ফাওবগী মনুংদা চৎনদ্রবা শেনয়েকশিং শিন্দোক্লবগী মতাংদা গভর্ণমেন্টনা মতম পীখি।

বেঙ্করশিংনা অৱাবা থিদনা লৈবাক মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক মথৌ পাঙথোকপগীদমক প্রাইম মিনিষ্টরনা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, বেঙ্কতা থবক তৌরিবা মীওইশিংনা চয়োল অমগী মনুংদা অহিং-নুংথিল নাইদনা মথৌ পাঙথোক্তুনা মীয়ামগী অৱাবা কোকহনবগা লোয়ননা শেঞ্জা-থুমজা মুখৎপা হায়বা পান্দম ফংনবা হোৎনবদা মতেং পাংলি। থবক্তগী পোত্থাখ্রবা বেঙ্কর কয়াসু মখোয় মখোয়না হান্না থবক তৌরম্বা বেঙ্কশিংদা লাক্তুনা মীয়ামগী মতেং পাংবদা শরুক য়ারকখি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা থৱায় নুংঙাইতবা মওংদা পূক্লিং শোক্লা হায়খি, মীয়াম্না ঐহাকপু প্রাইম মিনিষ্টরগী চৌক্রিদা নুংঙাইনা ফমদুনা লৈনবগীদমক মীখলদা মায় পাকহল্লকখিবা নত্তে। য়েক্লবগী মথক্তা লমন খুম্বগী মওংদা কা হেনবা থৌওং চথবসু নত্তে। লৈবাক অসিদা লৈরিবা লায়রবগী চৈথেং খাঙলিবা মীওইশিংগীদমক থৌরাং অসি লৌখৎপনি।

মীয়ামগী মতেং য়াওদ্রবদি গভর্ণমেন্টনা শেনয়েক অনী চৎনহনখিদবগী থৌওং অদুনা শেঞ্জা-থুমজা মুখৎপা ঙল্লোই। ইন্দিয়ন ক্রোর ১২৫না শৌগৎলক্লবা মতমদা থৌরাং অসি মায় পাক্কদবনি।



# শেনয়েক অনী চৎনহন্দ্রিঙৈদা শেঞ্জাও পায়বশিংদা হান্না পাউ পীখি : কেজ্রিৱাল

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১৩ (এজেন্সী):
দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা হায়খ্রে মদুদি, সেন্টরনা লুপা ৫০০ অমসুং লুপা ১০০০ চৎপী চৎনহন্দনবা থৌরাং লৌখৎলমদাইদা শেঞ্জাও পায়বা মীওইশিংদা মাঙজৌননা পাউ পীখি।

ব্লেক মণি থিংবগী মিংদা মীওই খরনা লৌতুনরগা লৈবাক মীয়ামদা অৱাবা পীবগী থৌওং য়ানিংদে। নরেন্দ্র মোদিনা শেনয়েক অনী চৎনদ্রে হায়না লাউথোক্ত্রিঙৈদা শেঞ্জাও পায়বশিংনা মখোয় মখোয়গী মখুত্তা লৈরিবা শেনফম পূম্নমক খুদোংথিবা থোক্লোইদবা মওংদা থৌরাং লৌখৎপা লোইখ্রে। নৌনা পুথোক্লিবা লুপা ২০০০ চৎপীগী নোটসু প্রাইম মিনিষ্টরগা নক্লবা মীওই খরখক্তা ফংহনবগী থৌওং চথরে।

দিমনিটাইজেসনগী থৌরাং লৌখৎত্রিঙৈদা বি জে পিনা কনা কনাদা লোন্না পাউ পীখিবগে হায়বদু মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহনগদবনি হায়না কেজ্রিৱালনা তকশিনখি।

আম আদ্মী পার্টি (এ এ পি)গী কনভিনরসু ওইরিবা কেজ্রিৱালনা হায়খি, বি জে পিনা সমাজৱাদি পার্টি (এস পি) অমদি বহুজন সমাজ পার্টি (বি এস পি) গী লন-থুম পূম্নমক পায়শিনবা য়ানবগীদমক থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি। চৈরাক ফংবা য়াবা মরম্না অরানবা মওংদা শেল তানশিল্লুবা মীওই অমত্তনা বেঙ্কতা শেল থমজিল্লকপগী ৱাফম লৈতে। ব্লেক মণি থিংনবগী মিংদা খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনবগী থৌওংনি। মরম অদুনা দিমনিটাইজেসনগী খোঙফম হন্দোক্কদবনি।

বি জে পি অমদি মসিগা নক্লরিবা মীওইশিংনা চথরিবা থৌওংশিংগী মতাংদা দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, মীওই খরনা ব্লেক মণি য়েন্থোক্লগা দোলর, সনা লুপা অমদি লন-থুম লৈশিন্নবা হোৎনরি। অরানবা মওংদা তানশিল্লুবা শেনফম পূম্নমক বেঙ্কতা থমজিনবা য়ারোইদবা মরম্না দোলর অমদি সনা লুপা লৈনবা থৌরাং লৌখৎলকপনি।

লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাউবা শেনয়েক অনী চৎনহনখিদবা থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা কেজ্রিৱালনা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টরনা করিগুম্বা পূকচেল শেংবা মীশক অমা ওইরম্লবদি স্বিজ বেঙ্কতা একাউন্ট হাংলিবা মীওইশিংগী মথক্তা থিগৎপগা লোয়ননা অনৌবা থৌরাং অসি লাউথোক্লমদাইদা পোলিটিকেল পার্টিশিংগা তানরমগদবনি। ইথা থাজদবা মওংদা লুপা ৫০০ অমদি লুপা ১০০০ চৎপী চৎনহন্দ্রবা মতুংদা লুপা ২০০০ চৎপীগী নোট পুথোরক্লিবা থৌওং অসি চিংননিংঙাই ওই।

মশাগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনবদা গভর্ণমেন্টনা লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈরিবা মীচম মীয়ামদা হায়নিংঙাই লৈতনা অৱাবা মায়োক্লহল্লে। অরানবা তৌবা মীওইশিংনা অথুবা মতমদা লুপা ২০০০ চৎপীগী জালি নোট শোয়দনা পুথোরক্লগনি। মীওই খুৎপু অসিগী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎত্রিবমখৈদি ৱারোইশিন পুরকপা ঙল্লোই।

অমরোমদা, শিব সেনানা হায়খ্রে মদুদি, লৈঙাক্লা চৎনররোই হায়না লাউথোকখ্রবা লুপা ৫০০ অমসুং লুপা ১০০০ চৎপীগী নোটশিং দিসেম্বর ৩০ ফাওবা চৎনহনগদবনি।

খুদক্তা লৌখৎলকপা থৌরাং অসিনা মীচম মীয়াম্বু অৱাবা তাহল্লে হায়না পল্লদুনা শিব সেনাগী প্রসিদেন্ট উধব থাক্রেনা হায়খি, মীয়ামগী অৱাবা কোকহন্নবগীদমক তঙাইফদনা দিসেম্বর ৩০ ফাওবা হান্নগী অরিবা শেনয়েকশিং শীজিন্নবা য়াহনগদবনি। প্রাইম মিনিষ্টরনা করিগুম্বা থম্মোয় শেংনা শেঞ্জা-থুমজা মুখৎকে খল্লবদি স্বিজ বেঙ্কতা সর্জিকেল ষ্ট্রাইক চথুদুনা ব্লেক মণি পূম্নমক লৈবাক অসিদা পুরক্লবা হোৎনগদবনি।

অমরোমদা, উত্তর প্রদেশকী মুজাফর নগরদা ঙসি মীয়াম্না চৎনদ্রবা শেনয়েকশিং বেঙ্কতা থমজিন্নবা হোৎনবদা খৎন-চৈনবগী থৌদোক থোরকপদগী মীওই অহুম অশোক-অপন নংখ্রে। মীওই খরনা বেঙ্কতা নুঙ লংশিল্লকখিবগা লোয়ননা বেঙ্ককী ইমপ্লোয়ীশিংগা খৎন-চৈনবগী থৌদোক থোকখি। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা মীওই ১০০ রোম ফাজিনখ্রে হায়রি।



# ইন্দিয়াবু য়ুনাইটেদ নেসন্স সিক্যুরিটি কাউন্সীলগী পার্মেনেন্ট মেম্বর ওইহন্নবা হোৎনবদা শৌগৎনরক্লি



ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১৩ (এজেন্সী):
ইন্দিয়ানা য়ুনাইটেদ নেসন্স সিক্যুরিটি কাউন্সীল (য়ু এন এস সী)গী পার্মেনেন্ট মেম্বর ওইনবা হোৎনবদা য়ুনাইটেদ কিংদম অমদি ফ্রান্স য়াওনা য়ু এনগী মেম্বর লৈবাক অয়াম্বনা শৌগৎপা ফোঙদোরকখ্রে।

হন্দক্তা পাঙথোকখিবা য়ু এন জেনরেল এসেমব্লিগী মীফমদা ৱা ঙাঙখিবা মীওই ৫০ রোম হেনবনা মেম্বর ১৫ লৈবা য়ু এন এস সী নৌনা শেমদোক-শাদোক্তুনা ইন্দিয়াবু অনৌবা মেম্বর ওইহনগদবনি হায়বগী ৱাফম ফোঙদোক্লরকখি।

য়ু এনগী ৱেবসাইটতা থাগৎ-লকখিবা মীফম অদুগী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, জেনরেল এসেমব্লিগী মীফমদা শরুক য়াখিবা লৈবাক অয়াম্বনা ব্রাজিল, জর্মনি, ইন্দিয়া অমদি জপাননচিংবা নৌনা মতিক ময়াই লৈরকখিবা লৈবাকশিংবু সিক্যুরিটি কাউন্সীলগী মেম্বর ওইহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়াবু শৌগৎলক্লিবা লৈবাক-শিংগী মনুংদা ভিটো পাৱর পায়বা য়ুনাইটেদ কিংদম অমদি ফ্রান্স য়াওবা মরম্না হন্দক্কী মতাং অসিদা ইন্দিয়াবু সিক্যুরিটি কাউন্সীলগী পার্মেনেন্ট মেম্বর ওইহল্লবা য়াই হায়না থাজনরি।

য়ু এনদা য়ুনাইটেদ কিংদমগী পার্মেনেন্ট রিপ্রজেন্টেটিব ওইরিবা মেথিয়ু রেক্রোফনা হায়খি, য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সীল পাকথোক চাউথোকহনবগা লোয়ননা নৌনা মতিক ময়াই লৈরক্লিবা লৈবাক খরা মেম্বর ওইনা হাপচিনবগী তঙাইফদবা মতম লাক্লে। ব্রাজিল, জর্মনি, ইন্দিয়া অমদি জপানবু পার্মেনেন্ট মেম্বর ওইনা লৌশিনগদবনি।

ফ্রান্সকী দেপ্যুটি পার্মেনেন্ট রিপ্রজেন্টেটিব এলেক্সিস লেমেক্সনা হায়খি, সিক্যুরিটি কাউন্সীলগী পার্মেনেন্ট অমদি নন-পার্মেনেন্ট মেম্বর ওইনা জর্মনি, ব্রাজিল, ইন্দিয়া, জপান অমদি অফ্রিকাগী লৈবাক খরা লৌশিনবা মথৌ তাই। পাক শন্না হ্যুমেন রাইটস খোঙ্গাউনবগা লোয়ননা ফুরুপ অমবু নমথবগী মতাংদদি ভিটো পাৱর পায়রিবা সিক্যুরিটি কাউন্সীলগী পার্মেনেন্ট মেম্বরশিংনা ভিটো পাৱর শীজিন্নরোইদবনি।

মরকসিদা, ইন্দিয়াগী দিপ্লোমেট এ গোপিনাথনবু য়ুনাইটেদ নেসন্সকী জোইন্ট ইন্সপেক্সন য়ুনিটকী মেম্বর ওইনা খনবদা জেনরেল এসেমব্লিনা অয়াবা পীখ্রে।

এসিয়া পেসিফিক গ্রুপনা শৌগৎপা মীহুৎ অমা ওইনা থাগৎখিবা গোপিনাথনা কুমজা ২০১৮গী জন্যুৱারী ১দগী হৌরগা কুমজা ২০২২গী দিসেম্বর ৩১ ফাওবা ফম অসি পায়রগনি। মমাঙদা মহাকপু কুমজা ২০১৩গী জন্যুৱারীদগী হৌরগা কুমজা ২০১৭কী দিসেম্বর ফাওবা ফম অসি পায়নবগীদমক খনখিবনি। মেম্বর খনবগী মীখলদা মহাক্না অপুনবা ভোট ১৮৩গী মনুংদা ১০৬ ফংদুনা চাইনাগী এম্বেসেদর ঝাং য়াংবু মায়থিবা পীখিবনি।

মহাক হৌজিক হৌজিক জোইন্ট ইন্সপেক্সন য়ুনিটকী চেয়রমেন ওইনা থৌ পুরিবা মীওইনি।

# ইন্দো-নেপাল বোর্দরদা পাকিস্থানি মঙা ফারে



বাহরেক, নবেম্বর ১৩ (এজেন্সী):
অয়াবা য়াওদনা ইন্দো-নেপাল বোর্দর ফাওরগা উত্তর প্রদেশকী বাহরেক দিষ্ট্রিক্টতা চঙলকখিবা পাকিস্থানি মঙা এস এস বিগী ওফিসলশিংনা ফারে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস সলিক্রম বর্মানা হায়খি, অয়াবা য়াওদনা চঙলকখিবা অশিক হুসেন (৪৫) মহাক্কী লোয়নবী শকিলা (৪৫) অমসুং মখোয়গী মচাশিং-মারিয়ান (১১), অরিয়ান (৬) অমসুং অব্দুল (৫)বু সসস্ত্রা সিমা বল (এস এস বি)না ঙরাং রুপাইবিহা চেক পোষ্ট মনাক্তা ফাখিবনি।

ৱাহং-পাউহং চথবদা মীওইশিং অদুনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না পাকিস্থানগী পাসপোর্ট পায়বা মীওইশিং অদু নেপালগী ভিজা পায়রগা কাথমান্দু য়ৌরুরবা মতুংদা কাশ্মীর তম্না লাকপগী লম্বীদা ফাবনি হায়রি।

ইন্দিয়া অমদি পাকিস্থানগী মরক্তা টেন্সন ৱাংলিঙৈগী চৈরক্তা অয়াবা য়াওদনা মীওই মঙা লোন্না চঙলম্বগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন চথবা হৌরে হায়না বর্মানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, পাকিস্থানি সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা হন্দক চহী ১৪গী নুপামচা অমা য়াওনা মীওই মরিগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং খ্বাদারদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টর হোস্পিটালদা খুৎশিন্নরকখ্রে।

বেলোচ হ্যুমেন রাইটস ওর্গনাইজেসন (বি ঐচ আর ও)না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়খি, খ্বাদার দিষ্ট্রিক্টতা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা খুৎশেমগী খুৎ থোক্লবদা মীওই মরি হাৎখিবনি। লৈখিদ্রবা মীওই মরি অদু মতম কয়াগী মমাঙদগী থিবা খঙদনা লৈরকখিবনি।

খ্বাদার দিষ্ট্রিক্টতগী অতোপ্পা মীওই অমসু পাকিস্থানি সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা ফাখিবদগী হৌজিক ফাওবা থিবা খঙদনা লৈরি। থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংশিং অদু নেসনল আইদেন্টিটি কার্দ (এন আই সী)গী মতেংদগী মশক মমিং খঙবা ঙমখিবনি হায়রি।

লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী মনুংদা কেচ দিষ্ট্রিক্টকী দষ্ট বজারদগী জান মহমদ কৌবা মীওই অমা য়াওই। মখোয়গী ইমুং অদু মতম খরগী মমাঙদা খ্বাদারদা ময়ুম হোংখিবনি হায়রি।

অমরোমদা, বোলোচিষ্টান প্রোভিন্সকী সুফি স্রাইন্দা বোম পোকখায়বদা মীওই ৫২ শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা ১০০ হেন্না অশোক-অপন নংলে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

বেলোচিষ্টানগী খুজদার দিষ্ট্রিক্টতা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা ইস্লামিক ষ্টেট ওফ ইরাক এন্দ সিরিয়া (আই এস আই এস)না ক্লেম তৌরকখ্রে। মীওই খরনা শাহ নুরানি দরগাদা ধমাল কৌবা সুফি দান্স অমদা শরুক য়ারিঙৈদা বোম পোকখায়-হল্লকখিবনি। থৌদোক অদুদা নুপী অমসুং অঙাং য়াওনা মীওই ৫২ শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা ১০০ হেন্না অশোক-অপন নংলে হায়না রেস্ক্যু ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

বেলোচিষ্টানগী হোম মিনিষ্টর সরফরাজ বুগতিনা হায়খি, করাচিদগী কিলোমিটর ২৫০ লাপ্না লৈবা শাহ নুরানি দরগাদা মীওই ৫০০ রোম্না ধমালদা শরুক য়ারিঙৈদা বোম পোকখায়হল্লকখিবনি।

ফ্রন্টিয়ার কোরগী কর্নেল জুনেদ কাকরনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না নুপামচা অমনা মশাদা য়াওবা বোম পোকখায়হন্দুনা সুসাইদ এটেক চথুরকখিবনি হায়রি।

# বি জে পিগী এম পি কির্তি অজাদকী লোয়নবী পূনম এ এ পিদা য়াওখ্রে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১৩ (এজেন্সী):
হন্দক্তা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)দগী তান্থোকখ্রবা মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট (এম পি) কির্তি অজাদগী লোয়নবী পূনম অজাদ আম আদ্মী পার্টি (এ এ পি)দা য়াওখ্রে।

এ এ পিদা য়াওদ্রিঙৈগী মাঙওইননা পূনম অজাদনা দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালগা উনদুনা ৱারী শানখি। নবেম্বর ৮দা এ এ পিগী লূচিংবা সঞ্জয় সিংহনা হায়খিবনি মদুদি, অহুল্লক বি জে পি নেসনল ইগজিক্যুটিবকী মেম্বর ওইরম্লবী পূনমনা অথুবা মতমদা এ এ পিদা শোয়দনা য়াওরক্লগনি। মতম অমদা দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বী সৈলা দিক্সিটকা মীখলদা লম্বা পাখিবী পূনমনা বি জে পি দিল্লি য়ুনিটকী স্পোক্সপার্সন ওইনা থৌ পুরমই।

পূনমগা নক্লবা সোর্ছ অমনা এজেন্সীদা হায়খি মদুদি, চহী ২০ হেন্না পার্টিগী থবক তৌদুনা লাক্লবসু মকোক থোংবা বি জে পিগী লূচিংবশিংনা মহাকপু মীরাইবদগী পার্টি থাদোক্লবা ফিরেপ লৌখিবনি। মমাঙদা পাঙথোকখিবা এসেমব্লি ইলেক্সন অনীরক পার্টিনা মঙোন্দা টিকেট পীখিদে। মহাক্কী মচানুপাদসু ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন ওফ দিল্লিগী মীখলদা পার্টিগী টিকেট পীখিদে।

বিহারগী দরভঙ্গাদগী লোক সভা মীখলদা মায় পাক্তুনা বি জে পিগী এম পি ওইরম্বা কির্তি অজাদপু দিল্লি এন্দ দিষ্ট্রিক্ট ক্রিকেট এসোসিএসন (দি দি সী এ)দা শেঞ্জা-থুমজা তৌখিবগী মতাংদা ৱা ঙাঙলুবগীদমক পার্টিদগী তান্থোকখিবনি। হৌজিক হৌজিক ফাইনান্স মিনিষ্টর ওইরিবা অরুন জেটলিনা দি দি সী এগী প্রসিদেন্ট ওইরিঙৈদা শেঞ্জা-থুমজাগী থৌওং কয়া চথুখি হায়না কির্তি অজাদনা ফোঙদোকখিবনি।

অমরোমদা, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লূচিংবা এন দি এ গভর্ণমেন্টনা শেনয়েক খরা চৎনহন্দনবগী মতাংদা লৌখিবা ফিরেপ অদুগী মরুমদা অরোনবা লৌতুনবগী থৌওং চথুরে হায়না এ এ পিনা মরাল শীখ্রে।

পনাজিদা এ এ পিগী মীরেপ ওইখিবা বালমিকি নাইকনা হায়খি, ব্লেক মণি য়াম্না লোৎশিন্দুনা থম্বা অমসুং মতিক ময়াই লৈরবা মীওইশিংদা খুদোংচাবা পীরগা মীচম মীয়ামদা অৱাবা তাহনগদবা মওংদা এন দি এ গভর্ণমেন্টনা শেনয়েক অনী চৎনহন্দনবা থৌরাং লৌখৎখিবনি।

গোৱাগী পোলিটিসিয়নশিংনা হীরম অসিগী মতাংদা মাঙজৌননা পাউ ফংখি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, মতম চানা শেল থৈদোকখিবা মরম্না ব্লেক মণি পায়বা মীওইশিংগী মথক্তা মখল অমত্তগী থবক লৌখৎপা ঙমখিদে।

# দিল্লিদা দীজল গাড়ী লাখ ২ হেন্না অথিংবা থমখ্রে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১৩ (এজেন্সী):
দিল্লিদা চহী ১৫ হেল্লবা হেভি দীজল ভেহিকলশিং ঙসিদগী হৌনা অথিংবা থমখ্রে। চহী ১৫ হেল্লবা দীজল গাড়ী লাখ ২ রোম দিল্লিগী লম্বীশিংদা চেনবা য়াহনখিদবগা লোয়ননা সিটিগী মফম অমত্তদা খাম্বসু য়ারোই হায়রি।

ষ্টেট ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টনা দীজল গাড়ী লাখ ১.৯১গী মপু, রেজিষ্ট্রেসন নম্বর অমদি লৈফম্নচিংবা অকুপ্পা ৱারোল পূম্নমক ষ্টেটকী ট্রাফিক পুলিসতা মাঙজৌননা খুৎশিন্নখ্রে।

নেসনল গ্রীন ট্রাইব্যুনেল (এন জি টি)না চহী ১৫ হেল্লবা দীজল গাড়ীশিংগী রেজিষ্ট্রেসন কক্লবা ৱায়েল পীবা লৈখ্রবনি। অথিংবা অসিগী মায়োক্তা থবক তৌরকপা মীওইশিংগী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎপগা লোয়ননা মোটোর ভেহিকলস এক্টকী সেক্সন ২০৭কী মখাদা লুপা ২০০০ ফাইন লৌগনি অমসুং গাড়ী পূম্নমক ফাজিনগনি হায়রি।



অমরোমদা, মায়কৈ কয়াদগী অকনবা থৌরাং লৌখৎলবসু দিল্লিদা ঈশিং-নুংশিৎ মোৎপগী চাং হেঞ্জিল্লক্লে। প্রাইভেট ৱেদর ফোরকাষ্টর স্কাইমেটকী দিরেক্টর মহেশ পলাৱাতনা হায়খি মদুদি, অকংবা নুংশিৎ শিৎলকপদগী দিল্লিদা লৈচিন নোংফাই থাংদ্রবসু নুংশিৎ মোৎপগী চাংদি অদুমক ৱাংলি। সিষ্টেম ওফ এয়র ক্বালিটি এন্দ ৱেদর ফোরকাষ্টিং এন্দ রিসার্ছ (এস এ এফ এ আর)না পীরকপা রিপোর্ট অমদা দিল্লিগী মফম অয়াম্বা কা হেন্না নুংশিৎ মোৎপগা লোয়ননা পার্টিক্যুলেট মেটর (পি এম)গী চাং ২.৫ য়ৌরে হায়রি।

সেন্ট্রেল পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দ (সী পি সী বি)গী রিপোর্ট অমনা হায়খি, হৌজিক হৌজিক দিল্লিদা এয়র ক্বালিটি ইনদেক্সকী ভেল্যু ৪২৪ য়ৌরে। নুংশিত্তা য়াওবা পি এম ২.৫ না নিংশা শ্বর হোনবদা য়াওখ্রগা লংস য়ৌখ্রবদি তোঙান তোঙানবা লায়না কয়ামরুম ওইহল্লকপা য়াই হায়না হকশেলগী লমদা থবক তৌরিবা অখঙ-অহৈশিংনা ফোঙদোকখি।

পোল্যুসন মায়োক্লনবগী মতাংদা দিল্লিগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর মনিশ সিসোদিয়ানা স্বছ দিল্লি এপ লোঞ্চ তৌখিবগা লোয়ননা অখন্নবা থৌরাং অমা লৌখৎপা হৌখ্রে। এপ অসিগী খুত্থাংদা মীচম মীয়াম্না এয়র পোল্যুসন থোকহল্লিবা থৌদোকশিংগী ফোটোগ্রাফ থারকপা য়াগনি হায়রি। নেসনল গ্রীন ট্রাইব্যুনেলনসু ঈশিং নুংশিৎ মোৎপগী চাং হন্থহন্নবগী পান্দমদা চয়োল ১ চুপ্না দিল্লিগী মফম অমত্তদা শেমগৎ-শাগৎপা অমসুং শীদোক-শেমদোকপগী থৌরাং অমত্তা লৌখৎপা য়ারোই হায়না অথিংবা থমখি।

পনবা য়াবদি, দিল্লিদা হৌজিক ওইরিবা নুংশিৎ মোৎশিল্লকপগী থৌওং অসিগী মতাংদা দিল্লি হায় কোর্টনা দিল্লি গভর্ণমেন্ট অমদি অতৈ মরী লৈনবা এজেন্সীশিংবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। মালেমগী ওইনা ঈশিং-নুংশিৎ খ্বাইদগী মোৎপা সিটিশিংগী মনুংদা দিল্লিসু অমনি হায়না পল্লদুনা হায় কোর্টনা হায়খি, দিৱালি মমাঙদগী সিটি অসিদা নুংশিৎ মোৎপগী অৱাবা মায়োক্লদুনা লাকখ্রবনি। দিল্লি গভর্ণমেন্ট অমদি অতৈ মরী লৈনবা এজেন্সীশিংনা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎহৌদবনা দিৱালি কুম্মৈগী মতুং তারকপদা নুংশিৎ মোৎপগী চাং হেনগৎলকখিবনি।

ꯂꯥꯏꯌꯦꯡꯖꯔꯤ/ লায়েংজরি
UMA AYURVEDIC CLINIC
(DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্লচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিডৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্লচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেন্নবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্লচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL
If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream
Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,

HL-B/3341/03/11-02/12